# মণিপুরী ফিল্মগী তাইবঙদা পোমশাৎনরক্লিবী রেসমি

**থম্মোয় পাউদম ও সি মৈরা**



পান্থী অমা থাবদা হৌ-গনবা লমদমসিগী লৈবাক লৈহাওনি। লৈহাও চেল্লবা লমদমসিগী চেঙ চাদুনা হিংলিবশিংসু হৌগনবা পান্থীগুম্না মশক মচু থোকপা হায়বসিদি মশানা তারবা ৱানি। লমদমসিগা খ্বাইদগী চান্নরিবসি আর্ট অমসুং স্পোর্টসনি। শান্নরোয়শিংনা লমদমসিগী খ্বাইদগী শিংথানিংঙাই ওইরবা মীংচৎ হঞ্জিন হঞ্জিন্না পুরকই হায়বসিদি য়েৎননিংঙাই লৈত্রবা ৱাফমনি। মরম অসিননি শান্নরোয়শিংদা মীনুংশি থল্লিবসি। অদুবু ঙরাং পাঙথোকখিবা শান্নরোয়শিংগী নুমীৎতা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর ইবোবীনা মীয়ামদা থমখিবা ৱাফম অদুদা পেন্নদবা স্পোর্টস লভরশিং য়াওদবদি নত্তে। হৌখিবা ফেব্রুৱারি ২১ দা মালেমগী লোলগী নুমীৎতা ইমালোল ঙাঙগদবনি, ইমালোল কনগদবনি হায়না হায়নখিবদা ঙাইরিঙৈদা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টরনা লমদমসিগী শান্নরোয়শিংগী খ্বাইদগী চাউবা থৌরম ওইরিবা শান্নরোয়শিংগী নুমীৎতা মীতৈলোলনা ৱা ঙাঙখিদে। মপুম নৎত্রবসু মচেৎ অমত্তং ওইরবসু মীতৈলোলনা ঙাঙলল্লবদি থাগৎনগদবনি।

মীনা থাগৎপা পামদবনা ওইরম্বসু য়াই ইবোবীনা মীতৈলোলনা ৱা ঙাঙখিদ্রিবসি। মসিগী থাজবা য়াবা খুদমদি ইবোবীদি মীনা থাগৎপা থাগৎতবা থোইনা লৈতবা মীনি। মহাক্না শাংখ্রবা মতম অমা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর ওইরকপসিদা ফম থাদোকউ হায়দুনা মীয়ামগী খোঙজং কয়া হৌখ্রে। মহাক্না মদুগীদমক্তা খনবা শংখিদে। মীয়ামগী ঈহৌ নেমথহনবা হায়বসি মহাক্কী খ্বাইদগী হৈনজবী অমা ওইরে। মসিদবু করি কান্নগনি মহাক্না মীতৈলোল ঙাঙলক্তবগী নিংদোল পোল্লদুনা। মহাক্না লমদমসিগী আর্ট এন্দ কলচরবু নুংশি। নুংশিবসিননি আর্ট এন্দ কলচরগী ফমসু মহাক্না কোনশিন্দুনা থল্লিবসি। ইবোবীনা কলচর য়োকখৎনবা হোৎনবা নৎত্রগা হোৎনদবা হায়বসিদি মী পুম্নমক্না খঙনরবা ৱাফমনি। ইবোবীগী ৱা থোইনা খন দবীদা ঐখোয়দি ঐখোয়গী নৌরিবা এক্টরশিং য়োকখৎফম থোকই। অদুনা পাউদল্লিবনি রেসমিগী মপাউসু।

অহানবা থোরকপদা ওইগদ্রা ওইরোইদ্রা খঙদবী রেসমিনি। লৈকায় মীয়াম্না, ফিল্মগী অহল-লমনশিংনা মাবু ওইগদ্রনে। ৱাহংসিনা মশীং থিঙমদনা হংনখিবা রেসমিনি। থাজবা মাঙদবনা মরম ওইরগা রেসমি ঙসিদি ওইগদ্রনেগী মহুত্তা ওইরগদবী হায়বদু ওইরক্লে। রেসমি ফিল্ম কুমদে, এলবম কুমদে, দ্রামা য়াওদে হায়বা য়াররোই। দ্রামা য়াওদুনা মীরম চৎলুরে। ফিল্ম নম্বগী থংনবা ষ্টেট য়ৌরুরে। এলবম তরামঙারোমদা এক্ত তৌখ্রে। ফিল্ম তরামঙারোমসু কুল্লে।

রেসমিনা ইহান হান্না কেমেরাগী লেন্সনা মমায় লৈশিল্লকপদা ঈকাইবা খাঙখিবা ফিল্মদু ইপাক ফিল্মসকী মোইরাংথেম রাজেনগী ৱারীদা রাকেশ নাওরেমনা পুথোকপা শকহেনবী ইতৈমনি। ঈকাইবা খাঙলিঙৈ মীৎকুপতুদা দিরেক্টর মৈরাগী মীচৈ কয়াসু লুলুক্না খাঙলগা তাখি। অদুগী মতুংদগীদি খাঙবা কনবগী মহয় ওইনা দিরেক্টর অসিমক্কী ফিল্ম ফোঙদোক্লদ্রিঙৈ, ঙাইন-ঙাইনা, ঈগী খোঙ্গুল, থম্মোয়দা কিরন্বা কিশিদা শরুক য়াবা ফংজখি। হৌজিক্তি দিরেক্টর কিশোরকুমারগী মীহাৎপা-২ দা য়াওখ্রে। জিতেন্দ্র নিংঙোম্বগী লিংজেলদা য়াওরি। আর কে লালমনিগী বামোন ইচলদা কুল্লি। কির্মিল সোরাইশমগী চিন্থীবা চিন্থীবীদা মতিক মথৌনা উৎকদৌরি। মোইরাংথেম ইনাওগী নুংশিবগী লমনদসু মীনোক খরনা অয়েংবশিংগী পূক্লিং ফাগদৌরি। কিরন কোইজমগী মোদি মার্কা থেৎপীয়ুদা মার্কা অমা থেৎনবা হোৎনরি। গোগোগী ও! খম্নু, জিতেন্দ্র নিংঙোম্বগী শম্বল, পাউজেলগী সিবু ওইবা য়াব্রা রেসমিগী কন্না সুটিং চথুরিবা ফিল্মশিংনি। মীনোক কিদুন, মীৱা লৌদুনা লমখাংদা শমায় লৈরম্লগদি রেসমিনা তেনখ্রবা মতমগী মনুংদা কুল্লিবা ফিল্ম ময়ামসি কুম্বা ফংলমদবসু য়াই। চঙলুরবদি হল্লরোই, পায়রবদি থাররোই, পাল্লবদি লৌরনি, লাল্লবদি চারনি খন্দুনা ফিল্মগী লম্বীদা চুমদ্রিং চঙশিল্লক্লিবী রেসমিনি। রেসমি মায় পাকপগী ফিরাল পায়ননবা ফীভম শেল্লিবী কুক্মৈরোয় অমনি হায়বসিদি মহাক্কী ফিল্মশিং অমদি এলবমশিংনা খুদম পীরে।



# ঙাইঙমদবা অমসুং অহল ওইশিল্লকপা

মতম শাংনা নহা ওইনিংবা মীওইশিংনা খাঙবা কনবগী হৈনবী থন্বা মথৌ তাই হায়না অনৌবা ষ্টদিগী রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখ্রে।

নেসনল য়ুনিভর্সিটি ওফ সিঙ্গাপোরগী রিছার্চরশিংনা থিজিনবদা খঙলকপা ৱাফম মতুংইন্না অয়াম্বা মতমদা ঙাইঙমদবগী মওং মতৌ উৎথোরকপা মীওইশিংগী সেল মথং মথং শিথরকপা মরম্না থুনা অহল ওইশিলহল্লি হায়রি।

অখাঙ কনবা অমদি ঙাইঙমদবগী মওং মতৌনা মীওইবদা করি করম্বা অহোংবা থোকহল্লকপগে হায়বগী মতাংদা থিজিনবা হন্দক্না অহানবনি।

নেসনল য়ুনিভর্সিটি ওফ সিঙ্গাপোর (এন য়ু এস)গী রিছার্চর কাঙবু অমনা অন্দর গ্রেজুয়েট তল্লিবা চাইনিজ নুপী ১,১৫৮ দা কুপ্না থিজিল্লম্মী। ষ্টদিদা শরুক য়াখিবা মীওইশিংগী খাঙবা অমদি ঙাইবা ঙম্বগী চাং লেপথোক্লবা রিছার্চরশিংনা পান্থে অমা পুথোক্লম্মী। শরুক য়াখিবা মীওই খুদিংমক্তা নোংমা লৈরগা দোলর ১০০ লৌগেরা, নৎত্রগনা নুমীৎ খরনি লৈরগা খরা য়াম্বা শেনফম লৌগেরা হায়না হংখি। মীওই অয়াম্বা কুইনা ঙাইবা তনবদগী খুদক্তা দোলর ১০০ ওইনা লৌবা পামখি। মতৌ অসুম্না ঙাইঙমদবা মীওই খুদিংমক্কী সেল শিথরকপা মরম্না থুনা অহল ওইশিল্লকই হায়না রিছার্চরশিংনা ফোঙদোকখি।

ষ্টদি অদুদা শরুক য়াখিবা নেসনল য়ুনিভর্সিটি ওফ সিঙ্গাপোরগী রিছার্চর রিচার্দ এবষ্টিননা হায়খি, ঙাইঙমদবা অমসুং খাঙবা কন্দবা মীওইশিংগী সেলশিং খোঙজেল য়াঙনা শিথরকপা মরম্না অতেনবা মতমগী মনুংদা অহল ওইশিল্লকই। সেলশিংগী ফীভম ফনা লৈহন্নবা মীপুম খুদিংমক খাঙবা কনবগী হৈনবী থন্বা য়াম্না তঙাইফদে।

ষ্টদিগী রিপোর্ট অসি নেসনল একাদেমী ওফ সাইন্সেসকী জর্নেলদা হন্দক্তা ফোঙলকখিবনি। অহল ওইশিল্লকপা হায়বসি মতমনা পুরকপা থৌওং অমনি। খোঙ-খুৎ শিথরকপা, ওষ্টিওপোরোসিস, ওষ্টিওঅ-থ্রাইটিস, তাঙ নাবা অমসুং শরুগী মপাঙ্গল শোন্থরকপা অসিনচিংবশিং অহল ওইশিল্লকপগী খুদমনি। অদুবু চাকচা য়ুথক ফজবগা লোয়ননা পুন্সি মহিং শেমদোক্লবদি চহী য়ামজরবসু নহা অমগুম পাঙ্গল কন্না লৈবা ঙম্মী। পুন্সি নুংশাংনা হিংবসু ঙম্মী। চাবা থকপগী মতাংদা লৌখৎপা য়াবা থৌরাং খরা খঙমিন্নসি।

উহৈ-ৱাহৈ অমসুং মনা-মশিং অয়াম্বদা মিথাইলসলফোনাইলমিথেন (এম এস এস) কৌবা ওর্গানিক কম্পাউন্দ অমা য়াওই। মরম অদুনা উহৈ-ৱাহৈ অমদি মনা-মশিং মরাং কায়না চাবা মতমদা তাঙ-তাঙ (জোইন্টশিং)গী মথৌ ফগৎহনবগা লোয়ননা কার্টিলেজ শোকচিল্লক্তে। কার্টিলেজ শোকচিল্লক্লবা মতমদা শরূ তাঙশিং মথৌ ফজনা তৌবা ঙল্লক্তবনি।

হকচাংদা খ্বাইদগী কান্নবা চীঞ্জাকশিংগী মনুংদা সোই প্রোটিনসু অমনি। মসিনা ইনফ্লেমেসন থোকহনবগা লোয়ননা সেক্স হোর্মোনগী খল কায়হন্দে। মরম অদুনা নুং হৱাইগুম্বা সোই প্রোটিন য়াওবা চীঞ্জাক চাং নাইনা চারবদি মতম শাংনা ইশা-ইউ ফনা লৈবা ঙম্মী। লোয়ননা সেল্যুলর ইম্যুনিটি ফগৎহল্লি। মরম অদুনা প্লান্ট ষ্টেরোল মরাং কায়না চারবদি হকচাং ফনা পুন্সি নুংশাংনা হিংবা ঙম্মী।

চাং নাইনা ওলিভ ওইল চারবদি কার্দিওভাস্ক্যুলর দিজিজ, দিমেন্সিয়া অমসুং কেন্সরনচিংবা লায়না কয়া ঙাকথোকপগা লোয়ননা প্রো-ইনফ্লেমেটরি জিনশিংগী ইফেক্ট হন্থহল্লি। মরম অদুনা য়ারিবমখৈ হঙ্গাম থাউগী মহুত্তা ওলিভ ওইল ওইনা চাগদবনি।

অঙ্গুরদা য়াওবা সোলিফেনোলিক সবষ্টেন্সতা এন্টি ইনফ্লেমেটরি অমসুং এন্টিক্সিদেন্টকী মগুন চেল্লি। মসিনা ব্রেনগী ফীভম ফগৎহনবগা লোয়ননা অলঝিমর'গুম্বা ন্যুরোদিজেনরেটিভ দিজিজশিং ঙাকথোকপা ঙম্মী।

অমরোমদা, চাং নাইনা হকচাং শাজেল তৌরবদি চহী য়ামশিল্লক্লবসু ব্রেনগী মথৌ নীংথিনা তৌহল্লি হায়বা ষ্টদি অমদগী খঙলে। জোন্স হোপকিন্স য়ুনিভর্সিটিগী রিছার্চরশিংনা উচিদা রিছার্চ তৌরবা মতুংদা হায়খি, হকচাং শাজেল তৌবা মতমদা এঞ্জাইম মখল অমগী চাং ৱাংখৎহনবা মরম্না ব্রেনগী মথৌ নীংথিনা তৌবা ঙমহল্লি।

সেল মেটাবোলিজম জর্নেলদা ফোঙলকখিবা রিপোর্ট অমদা নেসনল ইনষ্টিট্যুট ওফ এজিং অমদি জোন্স হোপকিন্স স্কুল ওফ মেদিসিনগী মার্ক মেটসনন্না হায়খি, চাং নাইনা হকচাং শাজেল তৌবা মতমদা এস আই আর টি থ্রী কৌবা এঞ্জাইম অমগী চাং ৱাংখৎলকই। মদুনা মরম ওইরগা ব্রেনগী মথৌ নীংথিনা তৌহনবনি। নুমীৎ খুদিংগী চাং নাইনা হকচাং শাজেল তৌরবদি চহী য়ামশিল্লক্তুনা অহল ওইরবসু নহা অমগা চপ মান্নবা মওংদা ৱাখল খনবা ঙম্মী হায়রি।



# করম্না চানবা ফিজোল শেৎ-চাগদগে



নুপীনা জিন্স খোঙ্গ্রাও শেৎপগী ফজবা অসি ঙসিগী জিন্সগী ফেসন ৱর্ল্ডগী মীৎয়েং অসিদা য়েংবা য়াই। তোঙান তোঙানবা দিজাইনগী মতুংইন্না মসিগী ফজবা অমমম তোপ্প া লৈজরি। ফিগর ফজবী নুপীনা টাইট জিন্স শেৎপা ফজে। মসিদগী নুপীনা জিন্স শেৎপদা জিন্স অদুগী দিজাইন অদু ফজে হায়না লৌনরি। অদুনা ফিগর ফজবী নুপীনা টাইট জিন শেৎপগী ফজববু নুপীনা জিন্স খোঙ্গ্রাও শেৎপগী ফজবনি হায়না লৌনরি। অদুম ওইনমক, জিন্স শেৎপদা পকচবা, চুশিন্নবা বোদি ষ্ট্রকচর হায়বা অমদি লৈরি। পকচবা, চাশিন্নবা বোদি ষ্ট্রকচর, শাবান লৈবা তারি।

নুপীনা টাইট জিন্স শেৎপগী ফজবা, চুশিন্নবা ফিগরসি ৩৫-২৫-৩৫, ৩৪-২৮-৩৬, ৩৫-২৬-৩৬, ৩৪-২৮-৩৫ গী মনুংদা লৈবশিং অসিবুনি হায়না লৌনরি। মতাংসিদা টাইট জিন্সগী ওইনদি মালেমগী ওইনা চৎনরিবা অমদি শেৎপদা চুশিন্নে হায়না লৌনরিবদি চপ চাবা বোদিগী মওং মতৌ অমসুং শাবান লৈবা, ফৈগল খরা চাউবা, খোঙ কল্লাক শাংবা অমসুং মশাগী মরেপ ৱাংবা অসিনি। ইন্টর্নেসনল ব্যুটি এক্সপার্টশিংগী মতুংইন্না ফৈগলগী ওইনা ইঞ্চি ২০ দগী ২৩ ফাওবগী মনুংদা কোনবা, খোঙ কল্লাক্কী অশাংবনা ৱাংবগী মতুংইন্না খোঙনা মিনিমম ওইনা ইঞ্চি ৪০ দগীনা মেক্সিমম ওইনা ৪৩ ফাওবগী মনুংদা শাংবা, কল্লাক্কীনা ইঞ্চি ২০ দগী ২২/২৩ ফাওবগী মনুংদা শাংবা ওইগদবনি হায়না পীরি। ৱাংবনা ফুট ৪ দগী ৫ গা ইঞ্চি ৯/১০ ফাওবগী মনুংদা লৈবনি। অদুমকপু হায়রিবসি জাৎ-বিজাতি খেন্নবা অমসুং ৱাংবা নেম্বা খেন্নবগী মতুংইন্না খেন্নবা খরদি লৈবা য়াই।

জিন্স খোঙ্গ্রও মরাং কায়না শেৎপা লম ওইরিবা য়ুরোপ অমদি অমেরিকানচিংবা লৈবাকশিংদদি নুপীশিংনা থওইনা জিন্স খোঙ্গ্রাও শেৎপদা ফজনবগীদমক মখোয়গী বোদি অদু মেন্টেন তৌনৈ। ফিগর শেম্মী। কম্প্যুটরাইজ ইক্যুপমেন্টশিং, জিমনচিংবা শীজিন্নদুনা শাবান শেমগৎনৈ। মসিমক্না অমেরিকানশিং অমদি য়ুরোপিয়ান নুপীশিংনা অতৈ লৈবাক্কী নুপীশিংদগী চাংচৎতা জিন্স শেৎপদা ফজবা হেল্লি।

অমরোমদা, মতমসিগী ওইনা জিন্স শেৎপা নুপীগী মশিং হেনগৎলক্লবসু মসিবু শেৎ চাবদা হেক্তমক ফজরব্রা হায়বদি নত্তে। অতৈ জিন্স খোঙ্গ্রাও মখলগুম্না, টাইট জিন্সগীদি মসিবু শেৎপদা চুশিন্নবা বোদি ষ্ট্রকচরগী অকক্ন বা ফেসন খঙবী নুপী নত্তনা অয়াম্বা নুপীশিংনা শেৎ চানবগী চাং নেল্লি। মসিমক জিন্স টাইটকী ওইবা অকক্নবা বোদি ষ্ট্রকচরগী ভাইটেল ষ্টেটিষ্টিক্স অমা লৈবনা অতৈ অতোপ্পা খোঙ্গ্রাওশিংদগী মসিগী খোঙ্গ্রাও দিজাইন অসিনা য়েংবদা এট্রেক্টিব ওইবগী মরম অমা ওইরি। মরম অসিননি টাইট জিন্স শেৎপা পকচবা নুপীশিংনা টাইট জিন্স শেৎলকপদা তোপ তোপ্পা ফজবগী মশক অমা তোঙান্না উবা ফংলিবসি। অতৈ দিজাইনগী খোঙ্গ্রাও মখলশিংদদি মসিগী ফজবগী চাং অসি ৱাংনা লৈবগুম তৌরি। মরম অসিনা নুপীনা জিন্স খোঙ্গ্রাও শেৎপগী ফজবা হায়রগদি ফিগর ফজবী নুপীনা টাইট জিন্স শেৎপগী ফজবসিনি হায়না অফাওবা ফেসন দিজাইনরশিং অমসুং ব্যুটি এক্সপার্টশিংনা মোত পী। ৱাফম অসিমক ফেসননিজমগী মীৎয়েংদা অচুম্বা ৱাফম অমসু ওইরি।

ৱাফম অমনা, চনিং তোংবী নুপীনা টাইট জিন্স শেৎপদি ফজবা ওইদ্রি। অদুনা অসিগুম্বা নুপীশিংগীদমক্তদি বোদি এক্সরসাইজ তৌদুনা জিন্স শেৎপদা ফজগদবা শাবান অমনা লৈহন্নবা হোৎনগদবনি।

ঙসিগী জিন্সগী ফেসন ৱর্ল্দদা মীয়াম্না পাম্ননা অমদি পোপুল্লর ওইনা শেৎ চানরিবা জিন্স মখল খরদি levis, lee, cat, lacoste, guess, calvin klein, radio jeans, boss, reebok, adidas, nike, fila, sperit, davidsor, crarlie, tommy hilfinger নচিংবনি। মণিপুরদদি জিন্সগী ফিজোল অসি অতৈ ষ্টেটশিংদগী হেন্না পোপুল্লর ওইখৎলক্লি। মরুওইনা লমদমসিগী ইনখৎলক্লিবী লৈশাবীশিংনা হেন্না পাম্ননা শেৎ চানরক্লি। তশেংনা জিন্স খোঙ্গ্রাওগী মার্কেট, লমদম অসিদনা হেন্না শেন্দোং ফংফম ওইরক্লি। জিন্সবু লৈশাবী মচাশিংগী কম্পলসরি দ্রেস অমা ওইনা শেৎনরক্লে। লৈশাবী মচা অয়াম্বনা জিন মখল তরেৎ, নিপানদগী তাদনা থম্নরে। ট্রেদিসনেল দ্রেস অমা ওইবগী মওংদা লাক্লি। মসিমক্তি ঐখোয়গী ট্রেদিসনেল দ্রেসনা মরাই চাইথরকপগী খুদমনি।

*লেনী মীতৈ*

লৈখা তারকপগী শক্তমনি। লোয়ননা ৱেষ্টর্ন দ্রেসনা লমদম অসিগী নুপীমচাশিংগী সিম্বোল দ্রেস ওইরকপগী অওনবা শক্তম অমনি। অদুমকপু দ্রেস মখল অসিবু নুপা নুপী অনীমক্তা শীজিন্নবা য়াবা, য়াম্না পোপুল্লর ওইরবা দ্রেস মখল অমা ওইরি। জিন্সবু ফেসন দ্রেস কম লেবর য়ুনিফোর্ম হায়নসু লৌনরি। দ্রেস মখল অসি ৱেষ্টর্নলোমগী ফেসন দ্রেস ওইজরবসু ঙসিগী মিস য়ুনিভর্স নৎত্রগা মিস ৱর্ল্ডনচিংবদদি ট্রেদিসনেল দ্রেস নৎত্রগা কেজুয়েল দ্রেস অমা ওইনদি শীজিন্নদ্রি। অদুমকপু জিন্সবু মোদেল কয়ানা মেনুফেকচরর/কম্পেনিশিংগা য়াম্ন া নক্লবা মরী লৈনদুনা হেন্না পোপুল্লর ওইনবা অনৌবা ফেসন দিজাইনগী মেথদ কয়া পুথোক্তুনা মখোয়গী পোথোকশিং হেন্না চৎনবা হোৎনরি। এদভর্টিজমেন্ট তৌরি। দ্রেস অসিবু খরা হোত মোদেল ওইবা মওংদা বোদি এক্সপোজ তৌদুনা জিন্স মতৎ মরাং শেৎ চাদুনা নহারোলশিংনা পাম্নবা এদভর্টিজমেন্ট ফাওবা তৌরি। মসিনা মরম ওইদুনা জিন্সবু মতৎ মরাং কয়া থোক্ল া ককথৎতুনা শেৎ চানবসু য়াওরক্লে। মসিমক জিনবু মোদেলশিং অমদি মেনুফেকচরর/কম্পেনিশিংনা অওনবা ফেসনগী শক্তম অমদা মখল মখা কয়াগী ফেসন দিজাইন ওইনা শীজিন্নরকপগী খুদম অমনি।



# ইরমদম মণিপুর আর্টিষ্ট এসোসিএসনগী *ঙাইখিনি* হায়রিবা লীলাসিনা অয়েংবশিংবু পুন্দুনা থমখি

**নোমিতা খোংবান্তাবম**

শুমাং লীলানিবু হায়রবদি চিংখদনা য়েংবা মীওই কয়া লমদমসিদা লৈরি। লীলা য়েংবদা থৱায় হকচাং লূপচবা মীওইশিংনা হিংলিবমখৈদি মণিপুরী শুমাং লীলা কৈদৌনুংদসু শিবা নাইরোই। শুমাং লীলাবু পামজবা মীগী মশিং থিঙমদনা লৈরি হায়বসি ইবোয়াইমা শুমাং লীলা শঙলেন্দা পাঙথোকখিবা ৪৪ শুবা ওল মণিপুর শুমাং লীলা ফেষ্টিবেলনা খুদম ওইরি।

হৌজিক নুপা শুমাং লীলা কাঙলুপকী অথোই অহেন তান্নবগী থৌরম পাঙথোক্লি। মৈ ইক্লবা য়োৎচৈগুম্না আর্টিষ্টশিংনা ঙমজবী থাদুনা হোৎনবগী মমি তারি। ঙসি নুপা কাঙলুপকী মরিনি চনবা নুমীৎতা ইরমদম মণিপুর আর্টিষ্ট এসোসিএসনগী *ঙাইখিনি* হায়না মিংথোনবা লীলা অসি উৎখ্রে।

ঙসি মরিনি চনবা নুমীৎতা উৎখিবা *ঙাইখিনি* হায়রিবা লীলা অসি য়েংনবগীদমক মীওই কয়ানা ইবোয়াইমা শুমাং লীলা শঙলেন্দা চিক্না চাইনবা ঙমদনা থোমজিল্লকখি। লীলা অসিগী অইবনা ওক্রম কুঞ্জোনি। ওক্রম কুঞ্জো হায়রিবা অইবা অসি ফাগী পুবা অইবা অমা ওইনা য়েংবসু য়াই। অদুগা মহাক্কী লীলাশিংদা ফোঙদোক্লিবা অসিনা সেরিয়স ওইবা দাইলোগশিংনি। কুঞ্জো মণিপুরদা ফোঙলম্বা পাউ-চে অমদা সেটরিকেল ওইবা ৱারেং কয়া চাং নাইনা ইরম্বা মীশক অমনি। মহাক্ন া ইবা ফিল্ম খরসু মীয়াম্না য়েংখ্রে। কুঞ্জোবু শুমাং লীলাগী অইবা অমা ওইনা মীয়াম্না খুৎ থেকপদা পন্নরক্লিবা অসিদি ইরমদম মণিপুর আর্টিষ্ট এসোসিএসন থোরকপ-দগীনি হায়না লৌবা তাই। লীলাগী কাঙলুপ অসি থোরকপদা কুঞ্জোসু মশক থোক্না থোরকখি। ঙসি উৎখ্রিবা লীলা অসিগী দিরেক্টরনা রোবিন্দ্রো লংথবালনি। মণিপুরী শুমাং লীলাগী খোঙচৎতা নুপী শাবা অমনা শুমাং লীলাগী লমজিং-লমতাকপা ওইরকপা হায়বসি তাঙনা থোকপা থৌদোক অমনি। অদুবু থোইদোক হেন্দোক্না মীয়াম্না শিংথানরবসু রোবিন্দ্রোনা শুমাং লীলাগী দিরেক্সন পীরকপা হায়বসি থোইদোক্না ঙক্না থোকপা থৌদোক নত্তে। মরমদি রোবিন্দ্রোগা শুমাং লীলাগা লোয়নদুনা লাক্লিবসি মতম য়াম্না শাংলক্লে। বেষ্ট এক্ট্রেস অমসুং বেষ্ট সপোর্টিং এক্ট্রেসকী মনা মশিং থিঙমদনা ফংখ্রবা রোবিন্দ্রোনি। নুপী শাবা অমা ওইনা লীলাগী দিরেক্সন পীরকপা অসি অফবা খোঙথাং অমনি হায়না মীয়াম্ন া শোয়দনা হায়নরক্কনি।

*ঙাইখিনি* হায়না মিংথোনবা লীলা অসিগী ম্যুজিক দিরেক্টরনা লৈশাংথেম বিদেশ্বরনি। লীলা অসিগী ঈশৈ ময়েক ইবনা শুমাং লীলাগী সেনিয়র আর্টিষ্ট চিংলেন থিয়ামনি। *ঙাইখিনি* হায়রিবা লীলা অসি মীয়াম্না হান্না য়েংনখ্রবা *ৱারী লোইদ্রি* হায়রিবা লীলা অদুগী অনীশুবা শরুকনি। ৱারী লোইদ্রি হায়না মিংথোনবা লীলাগী মখা শমথরকপা হায়বসিদি মশানা তারবা ৱাফমনি। লীলা অসিদা হান্না নুংশিনজবা মহাক অদুনা লুনা তীন্নজবী মমান্নবীবু পুন্সি-লৈপুন শেমদুনা লুহোংখ্রে। অদুবু শাবী-শানৌগী নুংশিবদদি পল অমনা থৎলখিদবা নত্তে। ঈচেলনা থৎলিবা তোবর্বানগী ৱাংম-ৱাংমগুম নুংশিবসু ৱাংম-ৱাংমা ওইনা লৈনখি। লীলা অসিগী শল্লপ্পা ৱারীদি নাইতোম পোকচবা নহা অমা ইঙাও ঙাওনা হৌরকই। খঙহৌদবা মীকুপতা *থাদোই* উরুবদগী পুমঙাও ঙাওখি। লাইবক্কী নোংদম থীবা থৌদোক্তগী থাদোই তমথিবা লায়না অমনা নারবদা থাদোইগীদমক ইঙাও ঙাওনা হৌজরকপা নহা ওইবা মপোক অদুনা থাদোইগীদমক থৱায় ফাওবা থাদোক্লগে হায়না লেপখি। পাম্বোম তীংলুরবা তুংদা করম্না কাউথোকপদি ঙমগনি। নুংশি মায়থোং অদুবু। নুংশিবনা মশা পুম্বা থুম্নৎলবদা অফ-ফত্তগী ৱাখল খনবা ঙম্লক্তে। খন্থহৌদবা মীকুপ্না থম্মোয় লায়মন ওইনবগী মরম ওইখি। নুংশিরুরবসু ওইথোক্ল-রোইদবা লম্বী অমদা লমফৈ চৎপা তারকই। নুংশিবা হায়বসি করিনো। নুংশিব হায়বসি কয়াম্মুক য়াম্না কনবগে। থোৎলবা লৈরাংগী লৈনাদগী হেনবী নুপীগী মায়থোংদা তারিবা নুংশিবগী মশক অসিদি করিনো। নুংশিবা হায়বসিবু কথোকপদুরা, কথোকপা য়াওদবা নুংশিবদি নুংশিবা নত্তে হায়সিরা। নুংশিবগী মরমদা কুপ্না নৈনবা য়ারবা লীলা অমনি হায়না লৌবা তাই *ঙাইখিনি* হায়রিবা লীলা অসি।

লীলা অসিগী খুপুথোক ফজৈ। নোকপা হায়বসি য়াওদনা নুংঙাইবা লীলা অমা ওইহনবা ঙল্লোই হায়বসি খঙলগা লীলা অসিদদি মকা লাম্না মীয়াম্বু নোকহন্নবা হোৎনৈ।

লীলা অসিদা শক্তম লাংলিবা আর্টিষ্টশিংদি চিংলেন থিয়াম, গীতচন্দ্র চোংথাম, ওকেন থৌদাম, সুর অথোকপম, খেকমন রতন, খেকমন দেবান, তোনি অকোইজমনি। নুপী কাঙলুপকী শক্তম লাংলিবা আর্টিষ্টশিংদি রোবিন্দ্রো লংথবাল, হেরামোতি অমসুং সুরচান্দনি। ঈশৈ-নোংমাইগী কাঙলুপতা লৈরিবশিংনা নুপা খোঞ্জেল ব্রোজেন খেকমন, নুপী খোঞ্জেল কেবীসনা, বাঁসি অরুন, গিটর মোমোচা, তবলা গান্ধী, পেদ দ্রম জিতেশ্বর, কিবোর্দ তোম্বানি।

লীলা অসিদা শক্তম লাংলিবা আর্টিষ্টশিং থোইদোক হেন্দোক্লা মীয়াম্না শকখঙনরবা আর্টিষ্ট ঙাক্তা ওইবনিনা অমনা অমদগী হেন্দনা লীলা শান্ননবা হোৎনৈ। লীলাগী দেলিবরি অমসুং টেম্পো য়েংবা নুংঙাই। তপ্না তপ্না খোঙজেল য়াংখৎলক্লগা ক্লাইমেক্স য়ৌনা শাগৎলকপদা এন্টি ক্লাইমেক্স থেংনদে। প্লোট ফজৈ। ৱারী খুৎই নীংথিজৈ। অদুবু করিগুম্বা মতাংদা আর্টিষ্ট অমগা আর্টিষ্ট অমগা দাইলোগ মুন্নগে তৌরকপা মতাং য়াওদবদি নত্তে। খজিক্তং তপথনা নৎত্রগা খজিক্তং খোঙজেল য়াংখৎনা হায়হন্নিংবা মতাং য়াওরি। ১৫ নি পানবা থাজগী মায়থোংদসু করিগুম্বা মতমদা মায়হিং কায় হায়না অশৈবা খরনা শিংথানবা অদুগুম্না উৎখ্রিবা লীলা অসিদা শেমদোক শাদোক্লিংবা মফম কদায়দা য়াওরিবগে হায়না থিদোক্লবা হোৎনবা হায়বসিসু অয়েংবশিংগী মথৌনি। মরম অসিনা লীলা অসিদি অয়েংবশিংনা ফৈ নৎত্রগা ফত্তে হায়দুনা তোয়না নৈনগদবা লীলা অমদি ওইরে। মীয়াম্না নৈনহন্নিংলিবা পোক্লিবা অসিমক হোৎনজমলগী মহৈ য়াল্লবনি। ইরমদম মণিপুর আর্টিষ্ট এসোসিএসন্না পুথোর-ক্লিবা লীলা অসিনা মীয়াম্বু পুন্দুনা থম্বগুম্না মচি লেঙহনখিদে হায়বসিদি চুম্লবা ৱাফম ওইরে।



হয়েং ফেব্রুৱারি ২৭, নহারোল খোঙথাং আর্টিষ্ট এসোসিএসনগী *লৈকংলাগী অহিং* উৎকনি।